# সনালৈবাক
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
www.sanaleibak.in
চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে




কবুই য়ুনিয়ননা শীন্দুনা শওম্বুং কবুই খুলদা কবুই ফুরুপকী খ্বাইদগী চাউবা কূম্মে ওইরিবা ষ্টেট লেভেল গান ঙাইগী থৌরমদা কঞ্জুম্মর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যাম শরুক য়াবগী শক্তম



ৰাংজিং তেম্বা এ সিগী এম এল এ পাউনম ব্রোজেননা পঞ্জাবতা ট্রেনিং থারুবা লৌমীশিংনা মণিপুরদা গেহু মায় পাক্কা থাবা য়াই হায়বা উৎতুনা ৰাংজিং তেম্বাগী লৌবুক্তা হৌরিবা গেহু পাম্বীশিং এম এল এ মশামক য়াওনা য়েংশিনবগী শক্তম



লেপটিনেল জেনরেল অনিল চৌহান, জেনরেল ওফিসার কম্মন্দিং ইন-চীফ, ইষ্টর্ন কম্মাননা অসাম রাইফলস অমসুং আর্মিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনবা লাকপদা গবর্ণর উন্নবগী শক্তম


Volume No: 44 Issue: 043 | IMPHAL THURSDAY 09 JANUARY 2020 | শগোলশেন, ৰাকচিংগী ১৪ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## মণিপুর কল্লম্বা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ লৈখিদবগী নুমিৎ থৌরম

# নিংথৌশিংগী মরমদা শেঞ্জেং মপাক্তা ইরগা থেৎকনি হায়খিবা ৰা ঙাকত্রে



ইম্ফাল,জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ
চহী ৭ খুন্তাকপগী অৱাবা লোইশিনহন্দুনা অনৌবা মণিপুর শেম্লকখিবা মৈদিংঙু চিংলেন নোংদ্রেনখোম্বা (গম্ভীর সিংহ) গী লংথবালদা লৈবা মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মমাঙগী নীংশিং থৌরমদা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবা থবক অমা চহী ওনখ্রবা ফাওবদা মমি তমদ্রে।

কুমজা ২০১৯গী জনুৱারি ৯ দা মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স অসিদা পাঙথোকখিবা ১৮৫ শুবা মহারাজ গম্ভীর সিংহ লৈখিদবগী নীংশিং থৌরমগী নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মহারাজ গম্ভীর সিংহ মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স অসিবু মণিপুরগী পুৱারীবু মশক তাকপা য়াবা মফম অমা ওইনা শেমগৎকনি। মসিগীদমক কেম্পস অসিগী চেকপলদা উপু শেমদুনা সোঞ্জেং নপ্লগা মণিপুরগী নিংথৌরোলশিংগী মরমদা ইরগা থেৎকনি হায়না লাউথোকখি। মসিনা মপান লমদগী লাকপা মীয়ামদা মণিপুরগী পুৱারী খঙহনবা ঙমগনি হায়নসু মীয়ামদা লাউথোকখি।

লৈঙাক্কী থৌওং অসিনা মফম অসি মণিপুরগী পুৱারীগী মরমদা হেন্না কুপথনা খঙবা পাম্বা মীওইশিংনা ম্যুজিয়ম অমগী মতৌগুম্না খঙহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। লোয়ননা রিসার্ছ তৌনিংবশিংদা অনৌবা ইনোৎ অমসু পীগনি হায়না লাওথোকখিবনি।

মফম অসিদা মপান্দগী মীওই অমনা মণিপুর অসি মশক খঙনিংলবদি মফম অসিদগী খঙবা য়ানবা মওংদা শেমগৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

লোয়ননা মফম অসি লৈ শু নিংথিনা থাজিন্দুনা তরু তনান্না শেমগৎপগা লোয়ননা হিষ্টরিকেল প্লেস অমা ওইবগী মথক্তা টুরিষ্টশিংগী মীৎয়েং থমফম মফম অমা ওইহনবা হোৎনগনি হায়নসু মখা তাখি।

মসিগা লোয়ননা চহী ৭ খুন্তাকপগী মরমদসু হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবদা মফম অসিনা মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাহনগদৌরিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মসিগী থবক খুদিংমক আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা পায়খৎনবা শিন্নখিবগা লোয়ননা অখঙ অহৈশিংনা থবক অসি লৌখৎলকপদা মতেং পাঙবীনবা হায়খিবা লৈখিবনি। অমদি মীয়ামগী পূকৈদা লৈরিবা পুয়াশিং অদু দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নবীনবা হায়খিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা ৰাফম অসি লাওথোকখিবা চহী ১ হয়েং মপুং ফারগনি। চীফ মিনিষ্টরনা থবক অসি অথুবদা হৌরগনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থবক পায়খৎপগী মমি অমা ফাওবা তাদ্রি।

লৈঙাক অসিনা য়েংশিনবদগী মফম অসিদা উরিবা হায়ববু হান্নদি মফম অসি জনুৱারি ৯ দা থৌরম পাঙথোক্কদৌবা নুমিৎ অসিখক্তগী ওইনা *মখা লমায় ৩দা...*

# মণিপুর য়াওনা ষ্টেট নিপানদা গ্যাস পাইপ লাইন তিংবা সেন্টরনা য়াখ্রে

## গ্যাস পাইপ তিংবগী অচঙবা শেনফম চাদা ৬০ সেন্টরনা পুথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৮(এস এন এস)ঃ
অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেট ৮ হায়বদি মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘলায়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিকিম অমসুং ত্রিপুরাদা লুপা ক্রোর ৯২৬৫ চঙনা কিলোমিটর ১৬৫৬ শাংবা গ্যাস পাইপ লাইন তিংবা সেন্টরনা য়াখ্রে।



ইন্দ্রধনুশ গ্যাস গ্রিদ লিমিটেদকী নোর্থ ইষ্ট গ্যাস গ্রিদ হায়না মমিং থোনবা প্রোজেক্ট অসিগী অচঙবা শেনফমগী চাদা ৬০ গী চাং গেপ ফন্দিং / কেপিটেল গ্রান্ট ওইনা পীনবা কেবিনেট কম্মিটি ওন ইকোনোমিক এফির্সনা অয়াবা পীখ্রেহায়না এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।

প্রোজেক্ট অসি মওং তানা অমদি মায় পাক্কা পায়খৎনবগীদমক মোনিটর তৌনবা পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মিনিষ্ট্রি, দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট রিজন ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ফর্টিলাইজরগী ওফিসিয়েলশিং য়াওবা কম্মিটি অমা শেমগদৌরি। মসিনা মতম মতমগী ওইনা মসিগী থবক থৌদৌ রিভিয়ু তৌগদৌরি।

কেপিটেল গ্রান্ট ওইনা পীরিবা অসিনা ইন্দষ্ট্রিয়েল, পি এন জি (দোমেষ্টিক), সি এ জি ট্রান্সপোর্টনচিংবা কঞ্জুমরশিংদা নেচরেল গ্যাস সপ্লাই তৌগদৌরি অদুগা লিক্যুইট ফুয়েলগী মহুৎ শিনবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরি। পাইপ লাইন গ্রিদ অসি শেমগৎপা লোইরবা মতুংদদি হৌজিক মরম অমা নৎত্রগা অমনা গ্যাস ফংবদা অৱাবা থেংনরিবসি কোকহন্দুনা লেপ্পা লৈতনা নেচরেল গ্যাস সপ্লাই তৌবা ঙমগদৌরি। নেচরেল গ্যাস মরাং কায়না ফংহনবা অসিনা লমদম অসিদা অকোয়বগী ফীভম শোকহন্দনা ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহনবদসু চাউনা মতেং ওইহনগদৌরি।

গ্যাস পাইপ লাইন গ্রিদ অসিনা পীগদবা কান্নবশিংগী মনুংদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেট ৮ দা ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহনবা, কেরোসিন, শীংনচিংবা শীজিন্নবগী মহুৎ নেচরেল গ্যাসনা শিন্দুনা লমদম অসিগী অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবা, লমদম অসিগী মীয়ামগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহনবা, এল পি জিগী বোতলিং প্লান্ট মরাং কায়না লিংদুনা হোন্দোক হোঞ্জিনগী খরচ হন্থহনবনচিংবা য়াওরি।

প্রোজেক্ট অসিবু পায়খৎকদৌরিবা ইন্দ্রধনুশ গ্যাস গ্রিদ লিমিটেদ (আই জি জি এল) অসি সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টনা চল্লাইবা ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন লিমিটেদ, ওইল এন্দ নেচরেল গ্যাস কোর্পোরেসন, জি এ আই ইন্দিয়া লিমিটেদ অমদি নুমালিগরহ রিফাইনরিনা পূন্না পায়খৎমিন্নবা জোইন্ট ভেঞ্চর কম্পনি অমনি।

হৌজিক লৈবাক অসিবু লৈঙাক্লিবা নেস্নেল দিমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স গবর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা গ্যাস বেজ ইকোনোমি চাউখৎহনবদা অকনবা মীৎয়েং থল্লি। লৈবাক অসিনা কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা ইমুং মিল্লিয়ন ১০ দা পাইপকী *মখা লমায় ৩দা...*

# ঙাগী ফার্ম ওন্থোক্লরকপদগী ৱাইথৌ পাৎ মাঙখিগদৌরে

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৮(এস এন এস)ঃ
লমদম অসিগী অচৌবা ৱেটলেন্দশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী এনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্টনা নৌহৌননা শেমগৎপা য়াবা ৱেটলেন্দ ওইনা খন্দোকপদা য়াওরিবা ৱাইথৌ পাৎ অমদি মসিগী মশা ওইরিবা পুম্লেনপাৎ থিংবিনবা য়াওদনা ঙাগী ফার্ম শেমজিল্লকপদগী চহী খরগী মতুংদদি পাৎ অসি লৈরম্বগী খুদম ফাওবা ফংদনা মুৎখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈহৌরি। লৈঙাক্না মসিবু কন্নবগীদমক পোলিসি অমগী মখাদা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে।



পাৎ অসিগী অকোয়বা কেটচমেন্ট এরিয়াদা উমং ৱামং লেপ্তনা কোকথোরকপনা মরম ওইরগা পাৎ অসিদা অন্দরগ্রাউন্দ ৱাটর থাদোরক্তবনা পাৎ অসিদা ঈশিং লেপ্তনা কং শিনলক্লি। মসিগা লোয়ননা পাৎ অসি থেনগৎলকপগী চাং হেনগৎলক্লি।

মতম অমদা ঈশিং মরাং কায়না লৈরম্বা অমদি চহী চুপ্পা ঈশিং মপুং ফানা লৈরম্বা পাৎ অসি ঙসিদি নোংজুথাদা ঈশিংনা থনবা অদুগা নোং চুদবা মতমদনা ঈশিং কংলবা পাৎ অমা ওইরক্লি। মসিগী মথক্তা অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিংগী প্রেসর অমদি লৈঙাক্না ৱাখল খন্থহৌদবা মওংদা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংনা পাৎ অসিগী শক্তমদা চাউনা শিংনরি হায়না পাৎ অসিগী মরমদা থিজিল্লিবা কাঙবু অমনা হায়রি।

অকোয়বদা লৈরিবা মীওই কয়ানা পাৎ অসিদা অচৌবা মেছিনরিশিং জে সি বি, *মখা লমায় ৩দা...*

# মশাগী শক্তম ঙাক্না হিংজরিবা অপীকপা ফুরুপশিংনা শৌগৎপীগদবনি: করাম শ্যাম

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৮ (এস এন এস)ঃ
ফুরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দাদুনা লৈমীন্নরিবা লমদম অসিদা অচৌবা ফুরুপশিংনা অপীকপা ফুরুপশিংবু য়োৎশিনবগী মহুত্তা মখোয় মখোয়গী শক্তম ঙাক্না হিংজবা ঙম্নবা শৌগৎপিগদবনি হায়না মণিপুর গবর্ণমেন্টকী সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি কবুই ফুরুপকী খ্বাইদগী চাউবা কূম্মে ওইরিবা ষ্টেট লেভেল গান ঙাইগী থৌরমদা কঞ্জুম্মর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদু মণিপুর কবুই য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা শওম্বুং কবুই খুঞ্জাওদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা মখা তানা হায়, হৌজিক গোবেলাইজেসনগী মতম অসিদা অচৌবা ফুরুপশিংনা মাগী মাগী মীচং খোম্নবগী মওংদা ফুরুপ মচাশিংবু য়োশিন্দুনা মখোয়গী অচৌবা ফুরুপ অদুগা পুনশিন্নবগী থৌওং কয়া চৎখরিবা অসি অফবা থৌওং অমদি নত্তে।

মশাগী লৈজরম্বা অরিবা চৎনবীশিং ঙাক্তুনা চৎপা হায়বসি চাওখৎপগী খুদমনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না মুন্না খঙবা তঙাই ফদে। মরম অসিনা ফুরুপশিংনা মাগী মাগী মৈহৌরোলদগী লৈজরকপা ইনাৎ অমদি চাৎনবী অদু য়োখৎতুনা থম্নবা হোৎনগদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অসিগী পুৱারীদা কবুই ফুরুপ অসিনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌদুনা লাক্লি। মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীদা কবুই সলাং মাইবগী থৌদাং অমুক শন্দোক্না হায়দ্রবসু মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম্নি। কবুই ফুরুপ অসি লমদম অসিদা অরিবা মতমদগী লৈরক্লবা ফুরুপ অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অপীকপা ফুরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দামীন্নদুনা লৈমীন্নরিবা মণিপুর অসি মাগী মাগী *মখা লমায় ৩দা...*

# ‘এ আরগী কেম্পদা লান্দাখ্রে’

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮ ঃ চৎলিবা জনুৱারি ৭ কী অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোঙতাল খুলদা লৈবা এ আরগী কেম্পদা পি এল এ অমসুং এম এন পি এ (এম এন পি এফকী লান্মী শঙলূপ) গী অপূনবা কাঙবু অমনা লান্দাদুনা অশি-অনা, অশোক-অপন কয়া নংহনখ্রে হায়না লালহৌলূপ অনী অসিনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ক্লেম তৌরকখ্রে।

আর পি এফকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী পব্লিসিটি বঙ্কিম অমসুং এম এন পি এফকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরী থোমাস নুমাই অনীনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, লান্দা অসি চৎখ্রবা মতুং তারকপদা ময়াং লান্মীশিং শোয়দনা লাক্কনি হায়না খঙবা মফমদা হান্না শেম-শারগা ঙাইদুনা লৈবা পি এল এগী ২৫২ মোবাইল বট্টালিয়ন অমসুং এম এন পি এগী অপূনবা কাঙবুনা শজিক তম্পাক্লোমদগী লাকপা ময়াং লান্মীগী অহেনবা খূৎপু (রেনফোর্স) শিংদা বোমগী লাং থাক্তুনা অনীরক শুবা ওইনা লান্দা চৎখি। লান্দাবা অসিদসু য়েক্লবা ময়াং লান্মীশিং কাঙ-খোঙ চায়হন্দুনা অশোক-অপন, অশি-অনা থোকহনখি।

লান্দাখিবা মফম চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিনবা খুল, শজিক তম্পাক্তগী ঙমখে ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা খুঞ্জাশিং ঙসি করম্বা পুন্সি মরেলদা লেপ্লিবগে হায়বগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, মফম অসিদা ময়াং লান্মীশিংনা হেক লৈশিল্লকপদগী ঙসি ফাওবা খুঞ্জাশিংনা অৱাবা পুন্সি মরেল অমদা লেপ্লি। খুঞ্জাশিংনা য়ূমদগী মপানদা পামগী থবক শুবা, শা তানবা, চীংদা উ-ৱা য়ানবা, *মখা লমায় ৩দা...*

# এ জি ওফিস্তা হেন্দ গ্রেনেট লংশিল্লম্লে



ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮(এস এন এস)ঃ
ইম্ফালগী বাবুপরাদা লৈবা মণিপুর পুলিস হেদক্বাটরগা হেক থংনবা এ জি ওফিস্তা নুংথিল পোবোপ্তা শকখঙদবশিংনা বোম লংশিল্লম্লে।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউদা, ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা নেস্নেল হায়ৱে ১০২দা অৱাংরোমদগী মোতোরসাইকল তোংদুনা লাকপা মশকখঙদবা অনীনা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিল্লমখি। হেন্দ গ্রেনেদ অদু এ জি ওফিসকী অৱাং থংবা গেট নমাক্তা লৈবা সন্ত্রি পোষ্ট ময়াদা তাখি। অদুবু বোম অদু পোখায়দবদগী অশোক অপন অমদি অকায় অতোয়দি থোকহৌদ্রে।

বোম লংশিল্লম্বা মতমদুদা সন্ত্রি পোষ্ট অদুদা ১০৯শুবা বাতালিয়ন সি আর পি এফকী পার্সোনেল অমা সন্ত্রি তাখি। বোম অদু তারম্বা উবদগী সি আর পি এফ পার্সোনেল অদু চেন্থোরকখি হায়রি।

বোম লংশিল্লম্বা অদুগী পাউ হেক ফংবগা *মখা লমায় ৩দা...*

UNACCO

RECRUITMENT

UNACCO is looking for dedicated and career oriented candidates for the following posts:

| Sl. No. | POST | NO. | QUALIFICATION | SALARY |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Branch Manager (BM) | 05 | Graduate in any discipline with 2-years relevant experience in any financial sector. | Rs.15,000-20,000/- p.m. |
| 2 | Assistant Branch Manager (ABM) | 10 | Any Graduate | Rs.12,000-15,000/- p.m. |
| 3 | Relationship Officer | 15 | Std. XII-Passed | Rs.10,000-12,000/- p.m. |

Interested candidates can apply with their resume with latest passport size photograph and contact no. to the following address on or before 17th January, 2020.

Corporate HR Manager
UNACCO School , Meitram, Imphal West
E-mail:-unacco.hrmanipur@gmail.com

SL/B/9

# মেছিন য়াওদনা থম্বাল মখোক্তগী লং শুংদুনা ফি শারে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৮(এস এন এস)ঃ
মালেমদা অতাংবা পোৎশক ওইনা থম্বালদগী শেম্বা চা, থম্বৌগী পোখোক, থমচেৎ মরু, থমনা লাকোলনচিংবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা লাইদা কৎখ্রবা থম্বালগী লৈখোক্তগী মেছিনগী মতেং য়াওদনা মণিপুরদা অহানবা ওইনা লং চিংদুনা ফি ওইনা শারগা পুথোকপা হৌরে।



ইন্দিয়াগী নেস্নেল ফ্লৱার ওইরিবা থম্বাল হায়না খঙনবা মখলগী লৈ অসি তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা চন্নফম লৈবা মরম্না অতাংবা মখলগী লৈশিংগী মনুংদা চল্লক্লে। পাম্বী অসিগী শরুক খুদিংমক্তগী মীওইবনা কান্নবা লৌনরি। থম্বালগী লৈনাদগী শেম্বা চা হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী তাংবা অমসুং মীয়াম্না খ্বাইদগী পান্নবা চা মখল ওইরি।

থম্বালগী লৈনাদগী শেম্বা চা শীজিন্নবনা মীওইবগী হকচাংগী উনশাদা কান্নবা পীবা, হার্টকী লায়নাদগী ঙাকথোকপা, প্রোষ্টেট কেন্সর নাবগী চাং হন্থহনবা, হকচাংগী অরুম্বা হন্থহনবা, চাবা তুমহনবা, ৱাখল খনবগী পাঙ্গল হেনগৎহনবা, ঈদা চিনিগী চাং ঙাক্না থম্নচিংবা কান্নবা কয়া পীরি।

মসিদসু নত্তনা থম্বালগী মরা (থম্বৌ) না চাবা তুমহনবা, ইম্মুন সিষ্টেম কনখৎহনবা, মখল কয়াগী কেন্সর লায়নাদগী ঙাকথোকপা, কোলেষ্টেরোলগী চাং হন্থহনবা, পূক্নীং ৱাখলগী অনাবা কোকহনবনচিংবা মীওইবগী হকচাংদা কান্নবা কয়া পীবগা লোয়ননা পাম্বী অসিগী মরু (থমচেৎ) তগীসু হকচাংদা কান্নবা কয়া পীরি হায়না থম্বালগী মরমদা থিজিনবা অখঙ-অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্লরি।

ময়াম অসিদগী পুমতোপ তোপ্পা মওং অমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থাঙ্গা তোংব্রম লৈকাইদগী তোংব্রম বিজ্যাশান্তি অতোপ্পা মমিং ওফেল্লিয়ানা শীজিন্নখ্রবা *মখা লমায় ৩দা...*

## ৱাখলগী চিঞ্জাক
মীওই খুদিংমক থা অমমমনি,
মসিগী কনাদসু উখোক্তবা
অমম্বা মায়কৈ অমমম লৈ

## অঙৈং-অশা
খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৩.৯৪° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ৬.৪২° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং-৬.০০
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং-৪.৪২

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল
পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৭৪.২২
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬৭.৩৪


"OLED" SONY
BRAVIA "OLED"



Sound directly from d screen.
SONY 55" KD-55A8F
₹ 3,29,900/- = ₹ 1,99,990/-
SONY 65" KD-65A8G
₹ 3,69,900/- = ₹ 2,99,990/-
SONY HOUSE, PAONA BZ. IMPHAL
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.
SONY PLAZA, KEISHAMPAT TIDDIM PETROL

NEW YEAR OFFER
KLV-24P413D ₹ 15,600 = ₹ 13,990
KLV-32R202G ₹ 23,850 = ₹ 17,990
KLV-32R302F ₹ 26,600 = ₹ 20,990
KLV-32R422F ₹ 30,300 = ₹ 21,990
KLV-40R252F ₹ 43,900 = ₹ 33,990
KLV-40R352F ₹ 47,900 = ₹ 34,990
KLV-43W672G ₹ 56,900 = ₹ 44,990
KLV-50W672G ₹ 64,900 = ₹ 57,990
SONY HOUSE
VIDEOCON HOUSE
PAONA BAZAR, IMPHAL


গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

## লোইরেদনা
হেপ্পি চাকান গান ঙাই অবুং, ঙসিদি কূম্মেনিনা লেন্না থক্কেদনা...!



এ, ডোল কাপ তৈববু লোইদ্রিনে, ঙন্না চাকখাউ থদৎপা লাকএদা...!

## হেক্তা হায়জিনবা

### মবেনধ্বৌগী নীংঙাই

চলাম্বা
থিল্লো ঐবু খুমনদা
লৈজনিংদ্রে মৈত্রবাকসিদা
শিবা তারে ঐসে
লৈরদি সুম মৈত্রবাকসিদা
অন্ধ্রগী শরেং অপুম্বা চাবদা
অন্ধ্রগী রৌ অপুম্বা চাবদা
পুন্নম নম্লে ইশাসে
শিবা তারে ঐসে
য়োংচাক ইরোম্বা তংলুরে
মৈত্রবাক্কী ওইরমদ্রে
তুমুগী য়োংচাক অতাংবা
বিহারগী অলু অতাংবা
পঞ্জাবকী সুপর ফাইন অতাংবা
অতাংবৈ অতাংবা মক্তা
ফনবু হৈনা পাল্লি
কূম্মে ইরাং তৌদুনা
শুনিংদবা মৈতে মচাশিংসে
য়েংবদা মীৎ নারেনে
থিল্লো ঐবু খুমনদা
লৈজনিংদ্রে মৈত্রবাকসিদা
চলাম্বা


